# হ্যুমন রাইটসকী মতাংদা নুংনাংবা ফাওরবসু অফস্পাগী মতাংদা খন্নবা মতম চাদ্রি ঃ আর্মি চীফ

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী)ঃ**
হ্যুমন রাইটসকী মতাংদা নুংনাংবা ফাওরবসু আর্মি অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা অহেনবা মতিক ময়াই পীরিবা আর্ম ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ট (অফস্পা)গী মতাংদা খন্নবা মতম চাদ্রি হায়না অর্মি চীফ জেনরল বিপিন রাৱতনা ফোঙদোকখ্রে।

এক্ট অসি চৎনরিবা জম্মু এন্দ কাস্মির অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদা আর্মিনা মথৌ পাঙথোকপদা য়ারিবমখৈ হ্যুমন রাইটস খোঙ্গাওনবগী থৌওং থোকহন্দনবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা এক্ট অসি রিপিল তৌবা মতম চাদ্রি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অৱাংবা থাক্কী খন্ন-নৈনবা মীফমদা অফস্পা রিপিল তৌবা নৎত্রগনা ময়াক চমহনবগী ৱাফম খন্নখিবা লৈবনা জেনরল রাৱতকী ৱাফম অসি য়াম্না মরু ওইনা লৌনরি। জম্মু এন্দ কাস্মির অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংনদি মতম কয়াগী মমাঙদগী এক্ট অসি লৌথোকখিনবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

অফস্পাদা কা হেনবা প্রোভিজন কয়া মরুম য়াওই হায়বা ৱাফম য়াজ খিবগা লোয়ননা চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফনা হায়খি খুৎলায় পায়দনা য়েক্নবগা লম্বা পাবা য়াদবগুম এক্ট অসি লৌথোকখিবা মতমদা আর্মিনা লালহৌবা নমথনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম শোইদনা মায়োক্নগনি।



জম্মু এন্দ কাস্মিরদা ক্রোস বোর্দর টেররিজম লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা জেনরল বিপিন রাৱতনা হায়খি ঙমখৈ ৱাংমদগী চথুরকপা টেররিজমগী থবক থৌরমশিং চপ চানা মায়োক্নবা তোঙান-তোঙানবা ইন্টলিজেন্স এজেন্সি অমসুং আর্মিগী মরক্তা তোইনা পাউ ফাউনরি। করিগুম্বা মতমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংগা হিরম কয়াদা পুন্না থবক তৌমিন্নরি।

পাকিস্তান আর্মিনা ঙমখৈদা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক তোইনা থোকপা মরম্না জম্মু এন্দ কাস্মিরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংগা চাংদম্নবা য়ারোই। কুমজা ২০১৭তা পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ৮৬০ থোকখি। মমাঙ চহীদদি সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ২২১ থোকখি।

নাকল অমরোমদা লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না হায়খ্রেমদুদি লালহৌবা নমথনবগীদমক অফস্পা চৎনহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। ওথোরিটিনা অফস্পাগী প্রোভিজনশিং লান্না শীজিন্নবগী মতাংদা পার্টি অসিনা হায়খি লো খুদিংমক অরানবা মওংদা শীজিন্নবা য়াই। কোংগ্রেসনা হন্দক মীখলগী মেনিফেষ্টো ফোঙবদা করিগুম্বা লৈঙাক পায়রবদি এক্ট অসি রিপিল তৌগনি হায়বা ৱাফম য়াওহনখিবদু মতাং চাবা ৱাৎলি।

দিষ্টর্ব এরিয়া এক্ট ১৯৭৬ চৎনবা মফম খুদিংমক্তা অফস্পা চৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মীয়াম্না য়াদ্রবা এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিংদা য়াওরিবা ৱাফম মতুং ইন্না নন কম্মিসন ওফিসর (হবিল্ডার)গী থাক্তা লৈবা ওফিসর অমনা চীংনরবদি কনাগুম্বা মীওই অমবু খুদক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎপা ঙম্মী।

# মিনিমম সপোর্ট প্রাইসকী মতাংদা কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী)ঃ**
মিনিমম সপোর্টপ্রাইস (এম এস পি)গী মতাংদা কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাকপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী চীফ স্পোক্স পার্সন রন্দিপ সুর্জেৱালানা মেদিয়া রিপোর্টশিং পল্লদুনা হায়খি কুমজা ২০১৪দা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লুচিংবা নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়ন্স (এন দি এ)না লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইসকী খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়না লাউথোকখি।

লৌ উবদা চঙখিবা শেনফমগী চাদা ৫০ হেন্না লৌমী খুদিংমক্তা ফংহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু মিনিমম সপোর্ট পাইসতগী চাদা ২০ হন্থনা ফঙহনখি। নীংথম থাদা থাখিবা মহৈ-মরোংশিং এপ্রিল ১দগী হৌনা লোকপা হৌখ্রবসু লৌমী অয়াম্বা লৌ উবদা পুথোকখিবা শেনফম হঞ্জিনবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরে।

লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা লৌমী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা এ দি এ লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকইহায়নসু কোংগ্রেসকী চীফ স্পোক্স পার্সননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা মধ্যা প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কমল নাথগী হোম কন্সটিট্যুয়েন্সি ওইরিবা ছিন্দৱারাদা ঙসি লৌমী অমা মীগী শেন্দোন শীংদোকপা ঙমদবগী মশা মথন্তা থৌরি য়ান্দুনা শীজখ্রে। লৈখিদ্রবা লৌমী অদুগী লোয়নবীনা এজেন্সিদা হায়খি মতম খরগী মমাঙদা মীঙোন্দগী পুরুবা লুপা লিশিং ৯ মতম চানা শীংদোকপা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্নদুনা লাকখি। মদুগীসু মথক্তা হৌখিবা চহী ৪ রোম মহৈ মরোং অমত্তা নীংথিনা লোকপা ঙমখিদবনা কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নখি।

চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা লুচিংবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অমা মধ্যা প্রদেশতা মমাঙ চহীদগী লৈরক্লবসু হৌজিক ফাওবা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা লৈত্রি হায়না লৈখিদ্রবা লৌমী অদুগী লোয়নবীনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

নরেস কৌবা লৌমী অদুগী মচানুপানা হায়খি বেঙ্কতগী লোন লৌখিবা লৈত্রগসু লৈকাইগী মীওই খরদগী শেল পুরগা মহৈ- মরোং উবদা শীজিন্নখি। লৌরোক পন্থা য়ৌরক্লবসু মহৈ মরোং নীংথিনা লোকপা ঙমদবনা মীগী শেন্দোল শীংদোকপা ঙমখিদবনি।

এপ্রিল ২৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকসভাগী ৪শুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ছিন্দৱারা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলসু পাঙথোক্লগনি। মীখল অসিগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লৌমী মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎকনি হায়না ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা ফোঙবা লৈখ্রে।

অমরোমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা হায়খ্রে মদুদি করিগুম্বা পার্টি অসিনা মীখলদা মায় পাক্তুনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রকপা থোক্লবদি লৌমীশিংগী তোখাইবা বজেট অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকনি। জনগর দিষ্ট্রিক্টতা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহাক্না হায়খি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাইরবশিং থৌশাদবা মরম্না লৌমী কয়া অৱাবা মায়োক্নবনি।



# বারানসিদা কোংগ্রেসকী প্রিয়াঙ্কা গান্ধি মীরেপ ওইররোই মোদিগা লম্বা তৌনগদবা কোংগ্রেসকী অজয় রাইগী মমিং লাউথোকখ্রে

**বারানসি, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী)ঃ**
কোংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিগী ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী উট্টর প্রদেশকী বারানসি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা হৌজিক হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিগা লম্বা তৌনগদবা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ ওইনা প্রিয়াঙ্গা গান্ধি ওইবা য়াই হায়না খন্নরম্বা অদু পার্টি অসিগী মায়কৈদগী অজয় রাইগী মমিং লাউথোরকপদগী ভোটরশিংগী মরক্তা লৈরম্বা চীংনবশিং অদু লোইশিনখ্রে।

কোংগ্রেস পার্টিনা বারানসি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মমাঙগী লোক সভা মীখলদা মায় পাক্তুনা লৈবাক অসিগী বি জে পিনা মশিং য়াম্বা চুংশিন্নবা এন দি এগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা চহী অসিদা নৌনা পোলিটিক্সতা খোঙদারকখিবী কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিগী মচনুপী প্রিয়াঙ্কা গান্ধি মীরেপ ওইগনি হায়না মীয়াম্না খন্নখিবা ৱাফম অদু মীখল নকশিল্লক্লবা মতমদা মফম অদুগী অজয় রাইনা মোদিগা লম্বা তৌনগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, উট্টর প্রদেশকী বারানসি কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদগী মীখল মঙারক মায় পাকপা ঙমখ্রবা কোংগ্রে পার্টিগী অজয় রাইবু পার্টি অসিগী মীরেপ ওইনা পুথোক্তুনা মমাঙগী লোক সভা মীখলদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদগী মায় পাকখিবা হৌজিক হৌজিক ইনি দয়া লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিগা লম্বা তৌনগদৌরি।

পনবা য়াই, অজয় রাই মশাগী পোলিটিকেল করিয়রদা বি জে পিগী মহৈরোই লুচিংবা অমা ওইনা হৌরকখি। মহাক্না সমাজৱাদি পার্টিদা য়াওরুরবা মতুং টিকেট ফংখিদবদগী কুমজা ২০১৪দা কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইখিবনি। হন্দকসু পাটি অসিনা মঙোন্দা থাজবা থমদুনা বি জে পিগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।





# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি কুমজা ২০১৪গী মীখল মতুংদা অহানবা ওইনা মে ১দা অযোধ্যা চৎনবা থৌরাং তৌরি

**লখনৌ, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী)ঃ**
মে ১দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উট্টর প্রদেশকী অযোধ্যাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমদা ৱা ঙাংগদৌরি। কুমজা ২০১৪দা পাঙথোকখিবা মীখল মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অযোধ্যাদা চৎপা হন্দক্না অহানবা ওইরগনি।

মে ১দা মহাক্না অযোধ্যা অমদি অম্বেদকর নগর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংনবা থৌরাং তৌরি। অযোধ্যা দিষ্ট্রিক্টকী গোসাইনগঞ্জ এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা মায়া বজারদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুগী মতাংদা পার্টিগী ৱার্করশিংনা শেম শাবগী থবক পায়খৎপা হোৎনরি।

রাম জন্মভুমী বাব্রি মসজিটকী মতাংদা চাওনা চয়েৎনবা লৈরিবা অযোধ্যা হায়রিবা মফম অসি উট্টর প্রদেশকী ফাইজবাদ পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চল্লি।

এপ্রিল ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগা মরী লৈননা ভারানসিদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা রোদ সো অমদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মীরেপ চে পীশিন্নবা থৌরাং তৌরি। এন দি এ অমসুং বি জে পিগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগী পাঙ্গল উথোকপা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা রোদ সোদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াগী চীফ মিনিষ্টরশিং শরুকয়াগদৌরি।

বানারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিদগী হৌরগা দসাস্বামেধা ঘাট তম্না চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অদুদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত সাহ, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিতিন গদকারি, সুসমা স্বরাজ অমদি পিয়ুস গোয়লনচিংবা কয়া শরুক য়াগনি হায়রি।

ষ্টেট খরগী চীফ মিনিষ্টরশিংসু ভারানসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী রোদ সোদা শরুক য়াগনি হায়না এজেন্সিগী পাউনা ফোঙদোক্লি।



# পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান মরুপনি ঃ ট্রিনামুল কোংগ্রেস এম পি মুন মুন সেন

**অসানসোল, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী)ঃ**
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অসানসোল লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিগী লোক সভা মীরেপ অমা ওইরিবী ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী মুন মুন সেননা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু মরুপনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা নেসনেলিজমগী ময়েক শেংদ্রবা ইহৌ অমদি লোক সভা মীখলগী কান্নবা ফংননবা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা পাকিস্তানবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা মীখল ভোট ফংদুনা মায় পাক্লনবগী থৌশিল কয়া পায়খৎলি।

বি জে পিগী লালোং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লুচিংলিবা ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী য়াম্না মরু ওইবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমা ওইরিবা অসানসোলগী মীরেপ অমা ওইনা মমাঙদা ৱেষ্ট বেঙ্গল খক্তা নত্তনা বোল্লিৱুদকী ইন্দষ্ট্রিদা মমিং থম্বা ঙমখ্রবী মুন মুন সেননা ফোঙদোরক্লি।

মুন মুন সেননা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লাক্কদৌরিবা ১৭শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা অদু কোলকতাগী অসানসোলদা লৈবা মীখলগী পোল্লিং বুথশিংদা মহাক মশামক ট্রিনামুল কোংগ্রেসকী অচেৎপা থাজবা থম্বা মীওই অমগী ৱারোল ফোঙদোক্তুনা বি জে পিগা লম্বা তৌনগনি হায়না ফোঙদোরকখি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরগী অনন্তনাগতা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট অনী খুৎ থোক্নবদা হাৎখ্রে

**জম্মু, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী)ঃ**
জম্মু এন্দ কাস্মিরগী অনন্তাগ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদা পাকিস্তাননা ট্রেন তৌরবা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেররিষ্ট ২ ইন্দিয়ান আর্মিনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা পাকিস্তানগী সিক্যুরিটিশিংনা লৈবাক অদুগা ইনি দয়াগা তাইনবা মফমশিংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা টেররিষ্টশিং অদুনা টার্গেট চাওনা লৈত্রবসু মখোয়গী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথুখি।



অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্ট সেন্টর অদুগী মনুং চন্না লৈবা মশাগী চহী নৌরিবা মীওই অমসু টেররিষ্ট অমসুং লান্মীশিংগা খুৎ থোক্নবদা অশোক অপন নংখি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মমাঙ থাদা থোকখিবা সিক্যুরিটি পার্সনল অমসুং খুৎলায় পায়বশিংগী ইরাংদা টেররিষ্টকী মীওই অমা হাৎপা লৈখ্রবনি। ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা পাকিস্তান লান্মীগী মশা অমা ওইরিবা হিজবুল টেররিষ্টশিংগী মীওই অনীসু হাৎপা ঙমখি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK**

***Ref:- Mut. Case No. 138/SDC (HRK) Dt. 24/04/2019***

Applicant :- Ningthoujam Rabikumar Singh S/o. (L) N. Ibocha Singh of Heirok Part-1 Heituppokpi

-Vrs-

OPP :- N. Ashabari Singh S/o. (L) N. Ibocha Singh of Heirok Part-1 Heituppokpi

**/NOTICE**

Heirok, the 24th April, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, হৈরোক তহশিল খুল নং ১২৮ গী অরিবা পাট্টা নং ৬১২ (O), ৬৬৯/১৭৮৫ (N) গী দাগ নং ২৪২/৭৭০ গী এরিয়া ·১১৭৪ হেক্তর চাউবা ইংখোল অসি নিংথৌজম অশাবারি সিংহগী মিংদা পানবা ইংখোল অসিদগী মখা থংবদা ০.০৩৯১ হেক্তর চাউবা লমখৈ অসি মথক্কী দংকারিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা/য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মশা লাক্তুনা উক্ত কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌরগদবনি। পীরিবা মতমগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Th. Deven Singh**
***Sub-Deputy Collector, Heirok***

*HL-P/3915/26*

# মাঙখিবশিংগী মতাংদা কোর্টনা হংলক্লি

**নাইনিটাল, এপ্রিল ২৫ (এজেন্সী)ঃ**
উট্টরখন্দগী হায় কোর্টনা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্তা কুমজা ২০১৩ কেদরনাথ ট্রেজিদিদা থিবা খঙখিদবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা পাউখুম পীরক্লবা হংলক্লি।

পি আই এল অমগী হিয়রিং লোইরবা মতুংদা উট্টরখন্দ হায়কোর্টকী চীফ জষ্টিস রমেস রঙ্গনাথন অমসুং জষ্টিস নরায়ন সিংহ ধনিক্না উট্টরখন্দ লৈঙাক্তা কুমজা ২০১৩দা অচৌবা ঈশিং ঈচাও থোকখিবদা থিবা খঙখিদ্রবা মশিং য়াম্লবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা চয়োল মরীগী মনুংদা মরিক চুম্বা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

উট্টরখন্দ হায়কোর্ট অদুদা পি আই এল অদু দিল্লিদা লৈবা অজয় গৌতম্না ফাইল তৌরকপনি। চহী ৬কী মমাঙদা ষ্টেট অদুদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওগী অচৌবা থৌদোক অদুদা কেদরনাথতা য়ামদ্রবদা মীওই ৪,২০০ রোম থিবা খঙদনা লাকখিবনি।

হায় কোর্ট অদুদা পি আই এল থাগৎলকখিবা অজয়গী হিয়রিংদা অদুদা উট্টরখন্দর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টি রমেস অমসুং জষ্টিস নরায়ননা ষ্টেট লৈঙাক্তা মশিং য়াম্লবা মীওইশিং হৌজিক ফাওবদা থিবা খঙদ্রিবা অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা চয়োল মরীগী মনুংদা পীরক্কদবনি হায়না খঙহনখি।

HL-B/5308/24/4-8/5

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES
CONDOLENCE
Imphal, the 25th April, 2019

No.HL-116/H&T/2018(Misc): Directorate of Handlooms & Textiles, Manipur hold a condolence meeting on 25th April, 2019 on the sudden demises of (i) Shri Sinam Sunilal Singh, beloved husband of Smt Sinam (O) Th. Sunila Devi, Officer in Charge/PASC and OSD(Handloom) of this office and (ii) Shri M. Sharatchandra Singh, Project Manager, District Handlooms & Textiles, Chandel 24-04-2019 from Kakching.
Officers and Staff of the Department, Weavers Service Centre and Apex Society expressed deepest sorrow and shared the grieved of the two bereaved families. A two-minute silence was observed for the two departed souls.

HL-P/4135/26
Sd/- Director of Handlooms & Textiles, Manipur

CAS Foundation
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE
CLASS XII, XI & X
COHSEM/CBSE/BOSEM
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise Authentic Study Materials.
2. Exam. Oreinted Test Series for Final Examination.
3. Probable Questions and Answers for 2019 Exam.
4. Special Fee Concession for CASIANS.
5. Vision for Toppers for 2019 Final Exam.
2ND BATCHES
Classes Commencing from 9th May 2019
Seats are Limited First Come First Served
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal

HL-P/4104/21/4-21/5

Regd. no. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College (Children's Ideal High School), Imphal
ADMISSION OPEN
VACATION COURSE for
NAVODAYA & SAINIK (50 days)
CLASS-X (CBSE) 2nd May 2019
FOUNDATION COURSE for CLASS - XII (COHSEM) 15th April 2019
FOUNDATION COURSE for CLASS - X & XI Sc. (BOSEM) (COHSEM) 10th June 2019
Subjects: ( XI & XII Sc. )
PHYSICS
1. Sir Vikash, Former Lecturer : XTRA EDGE School
2. Miss Nonibala, Lecturer :........ ........... School
CHEMISTRY
1 Sir Suresh, Former Lecturer : XTRA EDGE School
2. Sir Bidyasagar, Former Lecturer : MEM Hr. Sec. School
BIOLOGY
1. Sir Dayabanta, Lecturer :........ ......... Academy
2. Maam Radharani, 10 yrs of teaching experienced
MATHS
1. Sir Shanjit, Former Lecturer : HRD Academy.
2. Sir Dilip, Lecturer : Royal Academy of Sc.
ENGLISH
1. Sir Oken, Former Lecturer : MECI Explorer Academy
➔ Hostel / Boarding
➔ Printed Study Material
➔ Van Service
Class Timing :- 4:30 p.m. - 7:30 p.m.
Contact : 8787307245